হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ওগষ্ট ২৭, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৫১শুবা মশীং

# মীয়াম হুপ্না খঙহনবা চুমগনি

## অপূনবনা পাঙ্গলনি, অপূনবনা মায় পাক্কনি

সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি (এস টি দি সী), মণিপুরনা মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাকসিগী সেদ্যুল্ড ট্রাইবশিংগী লিষ্টতা য়াওহনফম থোকই, চলহনফম থোকই, মীতৈ/মৈতৈবু হায়রিবা লৈবাকসিগী মীওই কাঙলূপসিগী মনুং চনগদবনি, ওইফম থোকই হায়দুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংসি কুইশিল্লক্লে। তৌরক্লিবা দিমান্দসি কুইরে। কম্মিটিসিনা হোৎনজরকপা, চঙশিল্লকপগী মতুংইন্না ৱাফমসিগী মতাংদা ৱাখল তারকপা, খঙলকপা মীওইশিংগী মশীংসু নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি। ওইরক্লিবা ফীভমসি এস টি দি সীগী হোৎনজমনদগীনি। প্লস পোইন্টনি। কম্মিটিসিনা তাল্লকপা, চঙশিল্লকপা খোঙজংসিদা ৱর্ল্ড মীতৈ কনভেন্সন (দব্লিয়ু এম সী) গী মায়কৈদগী চুম্মী হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা মপূং ফানা শৌগৎপা ফোঙদোরক্লি। খোঙথাংসিসু ফৈ, তান্দুনা লাক্লিবা দিমান্দসি ফংনবগী ঙাক্লৌনি, চাওখ্রবা মতেংনি। অদুবু ষ্টেটসিগী ওইজরকপা লায়বক অমসুং ষ্টেটসিগী হৌদোকমিন্নরকপা মচৎশিংগী পুৱারীদগী ঐখোয়না খঙলিবদি মণিপুর মীয়ামগী অফবা, য়াইফগদবা, মীয়াম পূন্নমক্কী ওইবা ৱাফম অমত্তং কাংথোক্লরক্তুনা হৌদোক্লরকপদা ফজনা ইবুংঙো-ইবেম্মা হায়নরগা ইরেঞ্জনা হরাও-হরাও য়ানরকপা, তাল্লিবা দিমান্দ ফংবা, নীংবা থুংবসি তোয়না থেংনদে, পংনা থোক্তে। শেংলবা কংলা লাইফমদগী লান্মীশিং লৌথোকখিবগী থৌদোকসি কুইবু কুইদ্রি। ঙরাং নহান্তগী ওইবা ৱাফমনি হায়বা য়ারি। মণিপুরনা জন্যুৱারী ২১, ১৯৭২দা মপূং ফাবা ষ্টেট (ষ্টেটহুদ) ফংখিবদগী লাকখৎতুনা পাখৎলক্লগা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেটসিগী মীয়ামগী ওইবা অনীংবা, অপাম্বা অমসুং হায়রুবা, নিরুবা, তাল্লুবদা খোন্থি খোনচোপ শীজিন্নবদগী হেন্দোরক্তুনা শয়েং পাম্বোম ঙানদ্রিবা ফাওবা হেক্তা ওইদে। থৌদোকসি মণিপুরী লোলনা ৮শুবা সেদ্যুল্ডদা চনবগী হাক্তক্তসু থোকখি। হৌজিক লোল অসি হায়রিবা সেদ্যুল্ডসিদা চল্লে অদুবু ষ্টেটসিগীময়েক লৈবাকসিগী শেলয়েক্তা য়াওবা ফংদ্রি। ইরোম চনু শর্মিলানা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা অমুবা লোনি হায়রিবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱর্স এক্ট, ১৯৫৮ লৌথোক্লবা অকনবা খোঙজং চঙশিনখি। অদুবু এসেমব্লি সেগমেন্ট ৭ খক্তদগী লৌথোকখিবা নত্তনা লেমহৌরিবা মণিপুরগী শরুকশিংদা মচি লেংদ্রি।

সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সী এ বি) গী মতাংদসু অদুমঙাই, লৈবাক মীয়ামগী অকনবা ঈহৌদগী বিল অদুনা ষ্টেটসিবু কোনশিলহন্দনা ইষ্টর্ন বেঙ্গল ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন এক্ট (ইন্নর লাইন পর্মিট) ওইনা চৎনহল্লক্লবসু হৌজিক ফাওবদা এক্টসিগী শেম্ফম থোকপা চপ চাবা কাঙলোনশিং শেমদুনা চৎনহন্দবগী ৱারু-নুংজু থোক্লরি। লায়না মখাক, লাইমন মখাক ওইদুনা লৈরি। ইশম শম্বদা ষ্টেট লৈঙাক্লবু ওইরো নৎত্রগা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনবু ওইরো লমদমসিগী মীয়ামগী মনিং থুংহল্লকপদা হরাও হরাওনা অমত্তা থোকখিদে হায়বা য়াই। পীজরবসু হরাওনা পীজদে। পি চদুম-চদুম তারগা শরেং থোংবা পীজৈ হায়বদুগী ফীভমদা হেক্তা থোকই। মরম অসিনা তক্ল-তক্লগা নুঙদসু ময়েং তারকপনিনা তক্লবা, চঙশিনবা অমসুং হোৎনবা লেপলোইদবনি। এস টি দি সী এমনা ৱর্ল্ড মীতৈ কনভেন্সন খক্তা নত্তনা য়ামখ্রবা লূপ ময়ামসিগা খূৎশম্নবা চংলি। মীপূম খুদিংমক্তা করিগীদমক্তা মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহনফম থোকইবনো হায়বসি ময়েক শেংনা খঙহনবা চঙই। মসিগী ৱাখল্লোনসি ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী মকোক থোংবা লুচিংবশিংদসু খঙহনগদবনি। মতমদুদা দিমান্দ অসিগী অনৌবা শক্তম অমা থোরক্তুনা মণিপুরগীদি ৱাথোক লান্থোক থোক্ত্রিবা মখৈ য়াদে হায়বদুগী ফীভমদা তারক্লবসু পাঙ্গল থোক্কনি হায়নীংই। খরগা হেন্না ইস্যুসিগী মতাংদা এৱ্যের্নেস পীহন্নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৪

১) *“পুন্সিগী য়াইফ কোরৌসু নঙনি/কোরৌগী শান্নফম, নোংদোলসু নঙনি/নঙতনি ইমা পোক্লফম লমদম,/কৎচরি পুন্সি থৱায় হকচাং।”* ঈশৈ মতেক অসি কনানা ইবনো অমসুং কদাইদগী লৌথোরকপনো?

২) *“পুন্সিগী খোঙচৎতা”* হায়বা ওটোবাইওগ্রাফি অসি কনানা ইবনো?

৩) *“নুংশিত্তি পাবা হৈতে”* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা হন্দোকপনো?

৪) *“কনাসু ঐগী মিং খঙদে”* হায়বসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) *“নুংবাল পুনশি ইৱাললৈ, চারোল তরেৎ থোলমল লৈ, শুরোল তরুক তানফংলৈ ফত্ত্রৈ লৈশিল্লে, য়ামদ্রে চাইশিললৈ, চহুই কাংবা লৈবু লৈরাং খয়োম শানা পীনরমও। হে অহল উঝাগুরুজন লাই ওইনবশিংও ইমাই নোংনেম লাইনপাং ইমনকৌবা চীংথংলা পাংবরম ওন্না কোনশিনজরমগে। হরিও।”* ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হৌজিক্কী মতমদা মণিপুরদা শেন্দোং লৈবা বিজিনেসশিং

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

থায়না মমাঙ৙ৈ, লম চাওরি৙ৈ, পোখোক মরাং কায়না লৈরি৙ৈ, চাবীনীংঙাই মশীংনা য়ামদ্রি৙ৈগী মণিপুরদু হৌজিক্কী মণিপুরসি নৎত্রে। হৌজিক্কী মণিপুরসিদি মী অমনা, মশানা চাজনবগীদমক থাংদোক্লকপা চাক পুখমদু মুনগেরা, ফোয়গেরা নৎত্রগা হায়জ-নোঞ্জগেরা, মোইথেম তৌদুনা চাদবা য়াদে হায়দুনা নমদুনা চানবা চোঙথোক্লকপা কাঙবুশিংতনা পীক থল্লবা মণিপুরনি। অসিগুম্বা ফীভমসিদা হৌজিক মণিপুরদা চত্থবা য়ারিবা বিজিনেসশিংসি করি-করিনা ওইরমগনি? হুরান-চিন্থি তৌবা অমদি আইন্না য়াদবা পোৎশকশিং লল্লোনবগী থবকসিমদি লৈঙাক্কী অমদি মীয়ামগী মিৎয়েংদা তৌবা য়াবা বিজিনেস ওইনা খক পন্নররোই। মখোয়সিদি লৈঙাক্কী কাঙবুনা অমদি লৈবাক মীয়াম্না হেক উবদা ফাগে শোয়দনা হায়রক্কনি। সিগুম্বা মখলগী বিজিনেসশিংসিদি তশেং-তশেংনা হুরানবা হায়বা থবক্তুনি। ইংরেজিদা হায়রগা ব্লেক-মার্কেটকী থবক হায়না খঙনরিবসিনি। থৌদৌসিদি লৈঙাক্লা অমসুং লৈবাক মীয়াম্না খঙদ্রিবা অমসুং উদ্রিবা মখৈদি বিজিনেসনি খন্না তৌজরম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং, হেক খঙখিবা অমসুং উখিবা নুমিত্তা, নুমিৎতুনা বিজিনেসতুগী অরোইবা নুমিৎ হায়বদু শোয়দনা ওইগদৌরিবনি। অসিগুম্বা হুরান-চিন্থিগী বিজিনেসশিংসি নত্তবা, মীয়াম্না তৌনবা, লৈঙাক্লসু থিংদবা, অফোংবা মখলগী বিজিনেসশিং মণিপুরদা হৌজিক তৌনদ্রবরা? অসুক্কী মতিক য়াম্না তৌনরি। অদুম ওইনমক, হৌজিক্কী মতমদা অসিগুম্বা মখলগী বিজিনেসশিংসি চত্থবদা অয়াম্বনা শেন্দোং ৱাৎলি খন্নবা খক্কী ৱাদনি। অদুবু, হায়রিবা ফোংনা তৌবা য়াবা বিজিনেসশিংসিগী মরক্তসু মণিপুরদা মীয়াম্না উনবদা শেন্দোং য়াম্না ৱাংনা তানবা য়াই হায়না পানবা বিজিনেস মখল খরসু লৈতবদি নৎত্রি।

হৌজিক্কী মতমসিদা এদ্যুকেসন সেক্টরদা মীয়াম্না ইৱা-ৱাবা মান্দনা, খ্বাইদগী হেন্না শেন্দোং চাউনা অমসুং লায়না তানবা য়াই হায়না উনরিবসি প্রাইভেট স্কুলশিং লিংখৎপসিনি। মণিপুরদা প্রাইভেট স্কুলশিং লিংখৎপদা চাম্মদা চাম্মমক হায়বমক্তি য়াদ্রগসু হায়রিবা পর্সেন্টেজসিদগী পংতা তাথদবদা, মণিপুরদা বিজিনেস মখলসি মায় পাক্লা তৌনরি হায়বা য়াই। হায়রিবা বিজিনেস মখলসি তশেংনমক হায়রগদি ইরমদমসিদা হৌজিক-হৌজিকমক পাল্লিবা মণিপুর লৈঙাকসিমক য়াওনা মমাঙদা পানখিবা মণিপুর লৈঙাক কয়ামরুম্না নমদুনা য়াম্না চাউনা মায় পাকহনখিবনি হায়বদসু থোইনা লাল্লোইদ্রা খল্লি। এদ্যুকেসন সেক্টরদা প্রাইভেট স্কুলশিংনা য়াম্না চাউনা মায় পাকখিবা হায়বসিমক মণিপুর লৈঙাক্কীদি খ্বাইদগী চাউনা মায়থীবা অমনি। সেক্টরসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা প্রাইভেট স্কুলশিংগী মখূত্তা য়াম্না চাওনা মায়থীবা ফংবগী থৌদৌসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল ওজাশিংগী চাওরবা থৌদাংশিং থোইনা য়াওদে হায়বসিমকসু লানগনি খল্লি। অদুম ওইনমক, অয়াম্বা শরুক্তি লৈঙাক্কী ওইফম থোকপনি। মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল কয়ামরুম, শঙলেনশিং য়াওনা স্কুলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মপূং অমত্তা ফাহন্দে। ইনফ্রাষ্ট্রকচর হায়বা ৱাহৈসিদা স্কুল অমগী লৈফম থোকপা মচাক-মথুমশিং খুদিংমক্তু য়াওখ্রবনি। অসুম্না ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চাদবনা স্কুলদুদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয় অমদি তাকপী-তম্বীরিবা ওজা অনীমক্কী মফমদা মহৈ-তম্বগী থৌদৌদা পূক্নিং থৌগৎতনীংঙাইগী মশক য়াম্না চাউনা ওই। তৌইগুম্বসুং, লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা ওজা ওইবীরিবা কাঙবুশিংনা ফংনরিবা থাগী খূৎশুমলশিংগা প্রাইভেট স্কুলশিংদা ফংনরিবা খূৎশুমলশিংগা, থাগী খূৎশুমল অনীসি চাংদম্নরুরবদি লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা তম্বা মহৈরোয়শিংনা শোখবগী থৌদৌশিংদা তঙাইফদনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা ওজা ওইবীরিবশিংনা থৌদাং খরদি লৌফম থোক্তনীংঙাই লৈতে। হায়নবা লৈ, মহৈরোয় অমনা মহৈ তম্বগী থবকসি য়ূমগী পেরেন্টশিংগী থৌদাং তঙ্খায় অমনি অদুগা স্কুল ওজাশিংগী থৌদাংনা তঙ্খাই অমনি। অদুবু, তশেংনা ফিদম্নফম ওইবা, মথৌ মশক খঙবা অমসুং চুম্না চৎচবা ওজাশিং খরনদি মশাগী থৌদাং তঙ্খায়দুদগী হেঞ্জিন্না মহৈরোয়শিংগী য়ূমগী পেরেন্টশিংগী থৌদাং তঙ্খায়দু ফাওবা অঙম্বা চাংদা খূৎ থিংজিন্দুনা তেংবাঙবীবশিংসু য়াওদবা নত্তে। ৱারীসি অমরোমদা চৎখিদৌরে। মণিপুরদা প্রাইভেট স্কুল লিংখৎতুনা শেন্দোং তানবগী থবকসি মণিপুরগী ওইনদি তশেংনা খ্বাইদগী হেন্না শেন্দোং ফংবা বিজিনেসশিংগী মনুং চল্লি হায়বসিদা য়েৎনীংঙাই খক ওইরোই। ফীভমসিদা, মখা তানা খজিক্তং হায়নীংলিবসি, মণিপুরদা হাংলিবা প্রাইভেট স্কুলশিং অয়াম্বনা লৌনরিবা থাগী ট্যুসন ফী অমদি এদমিসন ফীনচিংবসি লৈঙাক্কী ওইবা অকক্লবা মীৎয়েং অমগী মখাদা প্রাইভেট স্কুলশিং পূন্নমক্কী ওইনা মণিপুরদা লৈঙাক্লা করিক্যুলম অমা শেম্বীদুনা থম্বীরগদি পূন্নমক্লা হরাউনগনি খল্লি।

অমুক্কসু, মণিপুরগী মীয়াম্না মণিপুরদা চাংদম্ননীংঙাই লৈতবা মওংদা খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা থাক্তা শেন্দোং ফংলমগনি হায়না লৌনরিবা বিজিনেসশিংগী মনুংদা, মণিপুরদা প্রাইভেট ক্লিনিক নৎত্রগা প্রাইভেট হোস্পিটালশিং হাংদুনা চলাইনরিবশিংসিসু অমনি। অনাবা হায়বসি অনাবনি। অনাবা লায়েংনবগীদমক অনাবা অমসুং অনাবগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা কৈদৌঙৈদা খক শেল পাম্মুনদে অমসুং লিকশিন্নদে। য়াম্না মরু ওইনা, পেসেন্ট পার্টিশিংনা লায়েংবদা চঙদবা য়াদবা শেনফমশিংগীদমক অমসুং লায়েংমলগীদমক কৈদৌঙৈদা খক মন্তিক্লবা চৎনদে অমসুং তৌনদে। থৌদৌসিমক্লা মণিপুরদা হাংলিবা য়াম্লবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিং অমদি প্রাইভেট ক্লিনিকশিং ময়ামসিগী মনুংদা খরনা শোয়দনমক্কী পেসেন্টশিংদগী হেঞ্জিনবা মওংদা লায়েংবদা চঙবা শেনফমশিংগী বিল চাউনা শাজিনবা য়াওরল্লোইসু খক হায়বা ঙম্বা নত্তে। হোয়, শাজিন্দবমক ওই হায়না লৌরবসু শারিবা বিলশিংদুগী মনুংদা য়াওরিবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিং নৎত্রগা প্রাইভেট ক্লিনিকশিংদা দ্যুটি তৌরিবা ডাক্তরশিং অমদি নর্সশিংগী চার্জশিংদুদি মীয়াম্না অসুক্কী মতিক ৱাংই হায়না ঙাঙনবা ঙাইহাক লৈতনা তানরি। তৌবগীদি, ইরমদম মণিপুরসিগী অচৌবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিং খরদা অনা-লায়েংগীদমক তঙাইফদনা মথৌ তাবা, মমল তাঙল-তাঙলবা মেছিনশিং অমদি খূৎশু-খূৎলায়শিং লৈতবা নত্তে। খূৎলায়শিংসি মণিপুর লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা লৈতবশিংনা অয়াম্বনি। অমরোমদা, প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদি প্রাইভেট ক্লিনিকশিংদা তৌরিবা ডাক্তরশিং অমদি নর্সশিংগী দ্যুটিশিং অমদি পেসেন্টশিংগীদমক মখোয়না লৌবীরিবা চেকশিন-থৌরাংশিং মণিপুর লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা তৌবীবশিংগা অসুক্কী মতিক খেন্ননা উরি। প্রাইভেটতা তৌবশিংনা হেন্না লূম্না অমসুং লুনা তৌবীবগী মথক্তা অমুক্কসু হেন্না থৱায় য়াওশিন্না হোৎনবীবগী মমিশিং য়াম্না ময়েক শেংনা তাবা উনৈ। ডাক্তর অমদি নর্সশিংনা অনাবশিংবু হেন্না লুনা তৌবীবগী থৌদৌশিংবুদি মতম লৈবা খিবিক্তা মীয়াম্না ফত্তবনি খক ঙাঙনরোই। থৌদৌসি মীয়াম্না ফংনদ্রিবনি অমসুং থাগৎনীংঙাইনি। থৌদৌশিংসিনা অদুম্মক মীয়াম্না প্রাইভেট হোস্পিটালশিং অমদি প্রাইভেট ক্লিনিকশিংদনা খরা হেন্না অনা-লায়েংদা চঙবা শেনফমশিং য়াম্মন্না লৌই খন্নবা ওইরম্বসু য়াদবা নত্তে। অদুম ওইনমক, পূন্নমকসি নৈনরবগী তুংদা, মণিপুরগী পুকচেল চাউরবা ডাক্তরশিং অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী মপুশিংনা লমদমসিগী লায়রবা মীচম-মীয়ামগীদমক খনবীরগা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদি প্রাইভেট ক্লিনিকশিংনা লৌবীরিবা অনা-লায়েংশিংগীদমক চঙবা অপূনবা শেনফমশিংদগী খরদং হন্থবীনবগী থৌরাং অমত্তা অতেনবা মতমগী মনুংদা লৌখৎপীরক্লবদি অসুক্কী মতিক নুংঙাইজগনি।

সিনি, হৌজিক্কী মতমদা মণিপুরদা খ্বাইদগী হেন্না শেন্দোং ৱাংই হায়না মীয়াম্না লৌনরিবা বিজিনেসশিং। পিল্লিবা ইশু-ইচাশিং তঙাইফদনা মহৈ-মশীন নীংথিনা তমহনবা হায়বসিমা তৌদবা শুকয়ামক য়াদ্রবা থৌদৌ অমনি। অদুগা, অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদনা নাবা-য়েক্লকপগী থবক হায়বসিমসু শোয়দনমক্কী লায়েংদবা য়াদ্রবা অমনি। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থৌদৌ অনীমকসি তঙাইমক ফদনা, লায়ররসু লায়রনা হৌজিক্কী মতমসিদা মণিপুরগী য়ূমথোঙ খুদিংমক্লা শোয়দনমক্কী থেংনরিবা হীরমশিংনি। অসুম্না বিজিনেস হায়বসিদা তঙাইফদনা মীয়াম্না তৌদবা য়াদ্রবা হীরমশিংদা খক্তা তৌবসিনসু অমুক্কা হেন্না শোয়দনমক্কী মায় পাক্লবগী মরমশিং ওইরকহল্লিবনি। ●

# খূৎশেমগী প্রকৃতি ওইনা ওল্লক্লি

**- রেকি মাইৱম -**

চহী ১০/২০ মমাঙদদি উপাল-ৱাপাল, অশং-অমান য়াম্না উবা ফংলম্মী। য়ূমথোঙ খুদিং উপাল-ৱাপাল মখল শুনা হৌরম্মী অমদি লৈনরম্মী। হৈ-রা, লৈ-শুনচিংবা মরাং কায়না পাল্লম্মী অমদি শাৎলম্মী অদুনা য়ূমলোন কৈরোন্নবদা লৈবা মীওইশিংনা হেক হেক্তুনা চানরম্মী অমদি শীজিন্নরম্মী। তর্পন উসব মতম অমদি লাইগী থৌরমনচিংবশিংদা চঙদবা য়াদবা পোৎলমশিং কয়া থোইদোক্লা মার্কেটতগী তাংজরমদে, য়ূম য়ূমদা হৌবা অমদি পানবা অসিনা মরম ওইরগা মরাং কায়না শীজিন্নবা ঙল্লম্মী। কালেনগী হৈ-রাশিং, নিংথমথাগী হৈ-রাশিং লৈকায় লৈকায়দা লৈমিন্নবা, তিন্নবা মরুপ-মপাংশিং পুল্লগা হেক হেক্তুনা চানরম্মী। মার্কেটতগী মমল পীরগা লৈবা হায়ববু থুম অমদি মপান লমদগী পুশিল্লকপা গ্রোসরিগী পোৎলমশিং নত্তনা কয়া থোইনা লৈনরমদে। য়ূম য়ূমদা মনা-মশিং থানবগী ইঙ্খোল অমমমদি অদুমক লৈরম্মী অদুবু হৌজিক য়েংলুবদা মমাঙঙৈগী মতমগী উহৈ-ৱাহৈ উবা ফংখিদবসু য়াওরি । লোয়ননা উহৈ-ৱাহৈ মরাং কায়বগী চাংসু অসুম অসুম হন্থরক্লি। চাবনা থাবগী চাংদগী ৱাংবনা মপান লমদগী পুশিল্লকপনা অনম্বনি। মমাঙঙৈ মতমদদি ফর্টিলাইজর শীজিন্নবদি কয়া থোইদোক্লা উরমদে, ভর্মিকম্পোষ্ট ঙাক্তনা মপূং ওইনা শীজিন্নরম্মী অমদি ইশাগী য়ূমদা থাজবনিনা মনা-মশিংশিংদি অদুক্কী মতিক মহাউ লৈবা হায়বদো ওইরম্মী। অদুমকপু মতমগী অহোংবা লাকপদগী হায়রিবশিং অসি হৌজিক্তি পুরা ওন্ননা লৈরে। তর্পন মতমদা মার্কেটতা হৈ-রা লৈবদা সনা-লুপাগুম্না তাঙনা তাঙনা লৈনরি। অদুমকপু হায়রিবশিংসি মমাঙঙৈ মতমদদি য়াম্না মরাং কায়না পাল্লম্বা ঙাক্তনি অদুবু হৌজিক্তি মমল পীরগা ওইনা লৈনরে।

হৌজিক্কী মতমদা অসুম কোইনা চৎলগা য়েংলুবা মতমদা মহৌশা লাইরেম্বীনা থম্বীরম্বা অশং-অমানগী চাং হন্থরক্তুনা ফুরা দলাননা নম্না মহুৎ শিনখ্রে। য়ূমথোঙ-য়ূমথোঙ খুদিংদা কিটচন গার্দেন লৈবশিংসু তপ্না তপ্না মাঙশিল্লক্লে, লৈমায়দা উপাল-ৱাপাল, হৈ-লৈ থাবগী মহুত্তা খূৎশেমগী গমলাদা দেকোরেসন ওইনা থানবা হায়বসিমা চৎনবী ওইরক্লি। য়ূম অয়াম্বা সিমেন্ট ফ্লোরিং তৌখিবনা মরম ওইরগা লৈবাক লৈশা লৈবগী চাংসু অসুম অসুম হন্থরকপগুম তৌই। মতমগী য়াওন লাকপনা প্রকৃতিগী খল কায়রক্লিবা অসিদি উদনা ঙাইহাক্কী ফুরা দলানগী মঙলান্দা তাওরিঙৈ চান-থক্লবা পোৎলমশিং মার্কেটতগী লৈদুনা শীজিন্নবা নত্তনা করিদগী অমুক শীজিন্নরুগনি। প্রকৃতিগী অশং অমানশিং, খূৎশেমগী অশং অমানশিংনা হৌজিক্তি নোংম-নোংমগী মহুৎ শিল্লক্লি। অসুম্না অহোংবা কয়া অসিনা কোভিদ-১৯গুম্বা লায়না লাইচৎ লাকপা মতমদা মীওইবনা থৱায় ৱাজবা হায়রগদি চান-থক্লবা পোৎলমশিংগীদমক খনবদা পুন্সি লৈমন চন্নরিবা ঙাক্তনি। করিগুম্বা ঐখোয়না হান্না লৈজরম্বা য়ূম অমা ইঙ্খোল অমা হায়বদু লৈরম্লবদি কোভিদ-১৯গুম্বা লায়না লাইচৎ কয়া অমা লাক্লবসু মীওইবশিংনা থোইনা ৱারোইদ্রা হায়না খঞ্জে।

হৌজিক্তি মীওই খরনা এঙ্গাং-নাপি থারগা, মীওই লিশীং কয়াগী নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম ওইনা খরদা ওইরবসু মতেং পাংবা ঙম্নরি লোয়ননা এঙ্গাং-নাপি থারিবা কাঙবুশিংনসু ফর্টিলাইজর শীজিন্নবগী চাংসু অদুক্কী মতিক হেনগৎলক্লি। প্রদক্সন্দগী কঞ্জুমরনা হেল্লকপা, হায় দিমান্দ লৈশিল্লকপনা মনা-মশিং মরাং কায়না পুথোক্লবসু মদুদা য়াওফম থোকপা ন্যুত্রিএন্ট কয়াদি ইয়াও য়াওদবগুম তৌরক্লি। মণিপুরদা লৈরিবা লৌফম অয়াম্বা ৱান টাইম ক্রোপ্পিংনা নম্না লৈ, দবল অমদি মল্টিপল কলটিভেসন তৌবগী চাং অসিদি অদুক্কী মতিক নেম্না লৈরে হৌজিক্কী মতমসিদা। মরম অসিনা লৌবুক অয়াম্বা হার্ভেষ্টিং লোইরবা মতুংদদি অয়াম্বা মতমদা হাঙদুনা লৈবা উজৈ। ইরিগেসনগী মতাংদসু অদুক্কী মতিক শোখৈ হায়বসিমা মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। চহী খরা অসিদা নোং চুবগী চাং ৱাৎপনা, ঈশিংগী অৱাবা কয়া অমসু মায়োক্লরিবনি। মসি অয়াম্বনা প্রকৃতিগী খল কায়রকপা, উপাল-ৱাপাল মরাং কায়রক্তবা, থাবদগী য়ান্থুৎপগী চাংনা অসুম অসুম হেনগৎলকপা হায়বসিমা মীয়াম্না হেক হেক কাউথোক্লবগুম তৌই।

অঙাং অমা মতিক চানবা হায়দুনা শেম্বা শাবগুম, উপাল-ৱাপালশিংসু চাওননবা অমদি মহৈ চানবা হোৎনবদা অদুমক মতম চংই, অদুবু অঙাং অমা মাঙনবা শিনবদদি মীকূপ অমদা য়াই। অসুম্না উপাল-ৱাপালসু য়ান্থুৎপা মতমদদি মীকূপ অমগী ৱারিনি। টেক্নোলোজিনা অসুক য়াম্না চাওখৎলবা মতম অসিদা, খূৎশু খূৎলায় লোইনা ফংলবা মতম অসিদা, ট্রান্সপোর্টেসন খক্তা য়েংলগা লন্বী থোং শেম্বা মতমদা চহী চা কয়া শুরবা উপাল-ৱাপাল, উমং-ৱামং কয়া য়ান্থুৎপীবা হায়বসি

মতু শোনবদা খূৎ থাবগা পাঙ্খকনি হায়না লৌজৈ। উপাল-ৱাপাল অমদি উমং-ৱামং চাওনবা হোৎনবদা চহী চা কয়া চঙলিবনি। অদুবু চাওখৎলবা ফোরেন কন্ত্রি কয়াদদি ট্রী ট্রান্সপ্লান্টিং মেছিন কয়া শীজিন্নদুনা উপাল ৱাপাল য়ান্থুৎপগী মহুত্তা মফম চাবা অমদা হোংদোক্লগা থাবগী সিষ্টম অসি মণিপুর লমদম অসিদা লৈরবদি ইনভাইরনমেন্টদা শোকহনদবীদা লন্বী থোং কয়া শেম্লবদি দবল বেনিফিট ওইগদ্রা হায়না লৌজৈ। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট লৈনা লৈনা উপাল-ৱাপাল, উমং ৱামং পাক্তক্লনা য়ান্থুৎলকপা হায়বসি খন্থরুবা মীকূপ্তা য়াম্না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইজদে। লন্বী থোং শেম্বগী উপাল-ৱাপাল, উমং-ৱামং পাক্তক্লনা য়ান্থুৎলক্লবদি দিপার্টমেন্ট অসি লৈরুবগী করি কান্নরিবগে।

ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে অমদি অতৈনচিংবা মতমশিং অসিদা থারিবা অনৌবা উপাল-ৱাপালশিং অসিদি তুংগী মীরোলগীনি অদুবু ইপা ইপুনা থাজরম্বশিংদি ঐখোয়গী খল্লগা তৌজরম্বা ঙাক্তনি। উপাল-ৱাপাল, উমং ৱামংশিং ঐখোয়না পাক্তক্লনা অসুম অসুম য়ান্থুৎলবদি ঐখোয় অমদি শা-উচেক কয়াদি করম্না হিংবা ঙমগনি।

ইশানা ইশাগী খোঙ মক্তদা শীংজং পায়দুনা য়ানবগুম থোক্লবনি হৌজিক্তি, ক্লাইমেটতসু অদুমক অহোংবা কয়া অমা লাকপা উরি। নোং চুগদবা মতমদনা চুদবা, নোং চুবগী চাং ৱাৎপনা ঈশিংসু অদুমক ৱাৎপগী অৱাবা থেংনরি। সম্মর মতমদা উপাল-ৱাপাল, উমং-ৱামং কোকশিল্লকপনা মরম ওইরগা শাবগী চাং হেনগৎলকপা অমদি নুংশাগী মৈশাগী ঙাকথোক্লবা মফম লৈশিল্লক্তবা, ঈংবা মতমদনা পুংঈং ঈংবা অদুগা শাবা মতমদনা পংশা শাবা অসিনচিংবনি। লৌমীশিংনা মখোয় মখোয়গী লৌফমদা তাংজরিবনি, চহী চূপ্পা ইঙ্খোল কোইদুনা লৈজবা কাঙবুসু হিংজরিবনি। ক্লাইমেট চেঞ্জ ওইরকপা মরম্না ঈশিংগী অৱাবা লেপ্পা লৈতনা থেংনরি অমদি কোক্তা খূৎ হাপ্পা নত্তনা পাম্বৈ লৈনদবা হায়বদুসু ওইরবনি।

করিগুম্বা মীওইবা ঐখোয়না প্রকৃতনা থমজরিবা খল অসিবু কায়দনা চৎলবদি প্রকৃতি ইমানসু ঐখোয়দা পীরিবা কান্নবশিং অসি মীওইবা ঐখোয়না অদুমক শীজিন্নবা ঙমগনি। লন্বী থোং শেম্বদা প্রকৃতিগী খল কায়দনা শেম্বীরবা, ইশা ইশাগী য়ূম কৈ শেম্বা-শাবা মতমদা মতিক চাবা ইঙ্খোল অমা ওইনা থম্বীবগা লোয়ননা মফম চাবা য়েংলগা হৈ-রা, মনা-মশিংনচিংবা মখল মখা কয়াগী পোৎলমশিং শুনা থাবীরবদি মীওইবা ঐখোয়না করিগী অমুক ৱারুগনি। ইশানা ইশাগী অকোয়বদা উপাল-ৱাপাল মরাং কায়না থাজিনবা তারবদি হোংলক্লিবা অঈংং-অশাগী খলদগী খরদা ওইরবসু কনবা ঙমগনি। "We do not inherit the world from our ancestors, we borrow it from our children". ●